# ৱারীমচা

## কোমথখ্রবা কিশি

*ডা. মায়া নেপ্রম*

শূরু-নোম্লুবগী চোকথরবা মশাদু পোত্থানবা হোৎনবদা অখাবা মহীদু গ্লাসতা হৈদুনা পেক অনীদং গৎ-গৎ থকচিনখ্রবদুদদি সংসারসিদা থোকখিবা থৌদোক খুদিংমক লুফেৎ-লুফেৎ লৈরম্বদগী মকোক্তা ফোঙ-ফোঙ কারকপদুদা পুমতাও তাউখৎলকই। অফ-ফত্ত খঙলক্তে ফজৈ ফজদে খন্দনা নক্লা লৈরম্বীদুনা খঙলাপ লাপথোকখিবদা থম্মোয়দা ময়ি চৎপদা নত্তনা পুন্সিসু লৈখা তম্না লৈথরকখি। ফাঙম পুনঙমদ্রবা মাগী নুপীগী শক্তম অকনবা ঈথক-ঈরৈ অমগা লোয়ননা মীৎমাঙদা ময়েক শেংনা লেপ্পল্লি। মখূৎ অনীদুনা মমায়দু হঞ্জিন-হঞ্জিন নাল্লি মপূং ফানা পাঙবা ঙমদ্রবা মমিৎ অনীদু তত্তনা কুপ্লি। অরংবা মহীদু অমুকসু গ্লাসতুদা থনকোক তৌনা হৈরগা মমিৎ অনীদু চেৎনা উইশিল্লগা শ্বর থিংলগা খংয়োৎ য়োৎখি। অশাংবা শ্বর অমা হোন্দোরক্লগা মমিৎ খুরপ তৌনা পাঙলগা হায়রকই ঃ

– তুম্লবা নঙবু শামু? তুম্নীংলব্রা, হা? ঙাইখো ঙাইখোকো ঐগী ৱারীসে তাখো। ঐনা পঙহায় হায়জনবদি নত্তে। নঙসু তারগা খঙগনি। মসিবু ঐগী ইরাল ঙাক্তরা নৎত্রগা মানা ঐবু মীনল্লিব্রা হায়য়ু।

– য়ারেদা তা’মনি তুম্নবা তৌরসিদা। করি কান্নবা হৌখ্রবা ময়ামদুবু নীংশিংলগা অমুক হল্লকউ হায়বসু য়ারোইদবদুবু।

– য়ারোই, সুকয়া য়ারোই অদুবু শামু মীয়াম মমাঙদা পীরল্লিবা ইকায়বা, থম্মোয়দা ফংলিবা ইকায়বদুগী চৈনাখোল অসিমদি পুন্সিসিনা হেক লৈরিবমখৈ মৈশা ফংদুনা লৈখিনি নৎত্রা? লৌনম চাউবী মতাৎ হৈবী উম... তুক্কচৈ।

হীদাক ফুলদা ঙাওরক্লবদা মকোক্তু পুবা ঙমদবা মওংদা য়েৎ-ওই হাইদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি। পুন্সিদা মীনম্বীরম্লবা থম্মোয়দা ফাউরিবা নীংঙমদবগী চৈনা কয়াদুনা পুন্সিবু মমল য়াওদবগুম লেল্লিবা পুন্সিনা নুপীবু অসুক তুক্কৎচনা খল্লিবনি। হায়ফম তৌফম খঙদনা হাইদুনা লৈরম্বা কোক্তু নিশানা তোংদুনা নোম্লকপদুদা পুন্সিগী হৌখ্রবা থৌদোকশিংদু মমাঙদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলকই অফ-ফত্ত খঙদনা গ্লাসতু লৈমায়দা থম্না থম্না মখা তারকই!

– য়েংউনে শামু! ঐসে পাঙদবনি পাঙদবা। ইশাগী নুপী ফাওবা শেন্নবা ঙমজদবা। অদুবু ঐ মীনম্বদি তৌখিদে, মাতনা ঐবু মীনম্বনি। ঐগী পুন্সিবু মীনম্লম্বী মাবু ঐনা করিগী ৱারৌরিবা? নো... নো... মদু ঐ তৌরোই। চৎচখিসনু মাসু মাগী নুংঙাইবা মফমদা, নুংঙাইনি হায়না খল্লবা মফমদুদা। মাগী থম্মোয় মশক মুন্না খঙহৌদবা থম্মোয়সিনা ফংলিবা ইকায়বা লৈকাই মীয়াম্না ঙাঙনরিবা, অথিবা মিংচৎসিমদি পুন্সিগী কোক্লরোই। হীদাক ঙাওবা মীগী মীৎকী পি, মমল য়াওদনা খল্লবসু পেন্দবা, ইকায়বদগী শীন্থরকপা তা’মনিগী মীৎকী পি শামুনা লায়না লৌবা ঙমখিদে। খঙই, মহাক্কী মীৎকী পিগী মমল। থম্মোয়বু মীনম্বীরম্লবা পুন্সিনা চৈনা কয়াগী চৈথেংনা পুন্সিবু অর্থ থোকহন্দবগুম লেল্লিবা তা’মনিনা নুপীবু অসুক তুক্কচবা খল্লিবনো হায়বদু শামুদি খঙই। শূবা-নোম্বতনা মেনখৎপা ঙমদ্রবা, হিংলিবা পুন্সি মহীং, হিংলবদি মপাল মউ চুম্না শুপ্নতগী পোত্থাফম ওইনা উরুব পীবদুনদি পেল্লকখিদে। উপালদগী কেল্লকপা অকংবা উনাশিংতনা মশাপুম্বা শীন-থুংনা কুপশিল্লকপদুনদি অইংবদগী ঙাকথোকচবা ঙমখিদে। হিংলবদি মরেক-মহাও থোক্লা হিংগদবনি খল্লিবী তা’মনিগী নুপী অদুগা শূফম চৎফম খঙনা অফং-অফং শূদুনা পুন্সিবু শীংনদুনা হিংনবা হোৎনরিবা তা’মনিগা লৈমিন্নবদা ঈশিংগা থাউগনি। শূনা-শূনা নোম্না-নোম্না হিংবগী মহাও থোক্লা লৈবদি ওইখিদে। তত্তনা লেপ্তুনা ইরাং মচা-মচানা ঈপোম হৌরকপগুম অচৌবা ৱাথোক লৈকাই কূম্মৈ ওইরকখিদবা নত্তে। করিগুম্বা ঈশিং মথক্তা তাউদুনা লৈরম্বা থাউদু খাইদোকপসু ঙমখিদে। তা’মনিগী কোকথক্তা থোনগৎলল্লিবা পোৎলুম নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগুম তৌখিমানে। থনকোক য়াওরম্বা লিক্লীদু গ্লাসকা থেংনবা মখোলগা লোয়ননা চিদুনা হৈরগা মখোল থোক্লা গ্লাসতু থম্লগা- তাওনে শামু, নুমিৎতুসু,

– হে তারবো। তামনি...! অঙাংসিসু য়াওনা য়েম্থোকখ্রো হায়ব্রো? ঙসিনে ইশাসু য়াওনা পুল্লপ হেক য়োম্থোকচখিনি।

তোম্বীনা পাঙ্গল ওইনা খল্লিবা হোটেলদুদগী অরৎপা লৈতনা লাউরকই। মচাদুনা লেঙলিবা খূৎলেঙদুগা হোটেলদা চা গ্লাস অমগা পূং ২ ফম্বা, ফমফম মশীং কোন্নরক্তবদুগা হাইফেৎ খোইদৌ লংলকপগুম তৌখি। তৌফম খঙলক্তবদুদা মচাবু খামজগদ্রা লাক্লিবশিংদু ফমহন্নীংদ্রবসু চিন্দদি সেবাগী ৱাহৈ থাদবা য়াদে চিনসু খূৎসু লেপ্পা য়াদে। তবি-তবি চৎলম্বা অঙাংদু মশা শগল তাপ পায়রগা মনঙ্গলদা হুনগৎতুনা পোশিনখি। খাংদা মৈ হৌনা শারগা ঘীদুদা তলশিং লেপ্তুনা থাদরকপদা চাবা য়াদবা পোৎ মানবসু য়াওরি। মচিলসু লেপ্তে।

– মচা পোকপা নরনাইনি হায়বদু হেক তৌইদা।

তা’মণি ফমুংদা নাকল অমদগী নাকল অমদা ওল্লি। ফক্লাং অমত্তনা খনবনিনা মাগী নুপীনা ঙাঙলিবা ময়ামদু তায়। তারবসু তাশিন্নদে। মাসু শূবা য়াবা শূরুরগা নুমিদাংদি মানা শঙলগা অথেংবা ফাওবা পোৎ য়োল্লিবনি। কৈসু নত্তবদদি নুংদাংদুদদি চাক চাথোকউরো, পোত্থারুরোগা নুংশিৎমুক কুংই। অয়ূকসিদনা ঙম্মীগা ঙমদেগা মথন্তা তৌহল্লি হায়দুনা ঙংলি ময়ামদু তাবদা করি থোকএনা মাবু ইয়াও য়াওদ্রবগুম হায়না মপূক্লীংদা হায়বা য়াবা ঙাংবা য়াবা কয়ানা পীক থল্লি। মুরুম শোল্লি মচিন থোক্লা হায়রকই,

– ঐসু শূবা য়াবা শূরিনা, নোম্বা য়াবা নোম্লিনা। ঐবু অঙাং লৌথোকউ কায়না।

চীংথরম্বা কান্থদু চিংখৎতুনা মকোক ফাওবা কুপশিনখি। তোম্বী অঙাংদুগা তল- তক্লা তক্লা খাংদা তল থাদরি। খজিক য়েংহৌদবদা অহৈবা তলগী মচুগা মান্ননা লৌখৎলকই। পেরিবা অঙাংদুনা মখোঙনা অফং-অফংবা লাম লামদুনা কাওরি।

– নচা পোকপা নরনাইনি হায়না খন্নরদি য়ূম পানবা ঙম্মোই। নুপী ঐখোয়সু ঙম্মী হায়দু উৎনরক্লদি ফজরোই হায়বীগে হায়রিসিনি।

লেপ্পা লৈতনা মাগী নুপীনা ঙাংলিবদু তারবসু তাশিন্নদনা লৈরকপদু ওমশিন্দুনা থল্লকপা মৈদু খঙহৌদনা শিৎলকপা নুংশিৎনা হুল্লকপদা মৈরী থোক্লা চাকখৎলকই। ফমুংদগী খুদৈদু চাউয়েপ য়েপশিল্লগা ফন চোংথরকই। ৱাফক্লা পাল্লিবা থোঙদু খোঙপাক্তুনা দং কাউরকই। তোম্বী খূৎতা পায়রম্বা ঝরপতু অশাবা ঘী য়াওবা খাংদুদা চুপ লুপশিনখি।

– কদায়-কদায় অঙাংদু ফাওবা ঐ লৌ হায়না নৎত্রো? ঐনা লৌদ্রবদি অঙাংদু ফাওবা লৌবা ঙমদ্রবা নৎত্রা? নঙনা থাক্লবনিনে ঐসে? নঙোন্দা কনানা হোটেল ফম্মু হায়গে হা ঐসু শূরি নোম্লিনা। হোটেল তৌবা য়াম্না পাম্বা নৎত্রা, অচাবা অরাকপা কয়া ৱারেম ঙাঙনবা, মীৱা ঙাংলগা পূক থন্নবা ঐনা কয়ারক হোটেল তৌনু হায়খ্রবা নৎত্রা... সে... সে...।

অতোৎপা য়ামদু অচৌবা খোঙপাক অনীদুনা লৈবাক্তুদা তল তোৎপগুম তোৎলকই। ঙৌরোক ঙৌনা লৈরম্বা য়াম অতোৎপদু লৈখোম মচু ওল্লকই। লফু বন্দা শামু লমশানা নৈখাইরকপগুম নৈখাইরকপদু উবদা তোম্বী লৈজবী থাদুনা কপঙাঙ ঙাঙলকই।

– নুপীনি ঙম্মী হায়দুনা তৌরি নৎত্রা। নতু-নচা নুংঙাইহনবা ঙম্মোইদবা লৈরবদি করিগী নুপী থিরুরিনো? নচাসিদা লৌজহৌ। ঐসু ঐনা থোকপা তৌজখিগে? নচা লৌজহৌ।

তোম্বী হোটেল নুমিৎতুদগী অতেকপা শেগাইরবা ফক্লোং মথন্তা লেপ্তুনা লৈরকখি। তেক্লি-তেক্লি ফানশাং অমা-অনী থাবদু মৈ খরা থাদোক খরা তেক উশিল্লকখিদ্রে। হোটেল ওইরম্মী হায়বগী ফীভম লৈশিল্লক্ত্রে। হোটেল বন্দ, ইশৌদি অদুম হেনগৎলকই। তা’মনিনা পুশিল্লকপা নুমিৎতা চানি পুরক্তবা নুমিৎতনা তুমিন-তুমিন ফমুং চঙনখিনি। ৱাই শংলেদি মনি খনখি। তোম্বীসু মাগী নুপাগী ৱাহৈদু মনাকোংদা ঙংদুনা লৈরি। "নুপা নহা খরগা গা-গা মৱা-মপুরোইবা লৈ হায়বসু উদবা খঙদবা শারদুনা" হায়বা তা’মনিগী ৱাহৈদো কাউবা য়াদে। মানা করি অকায়বা তৌরদনা। মীয়াম মাঙদা ইকায়বা পী। মনিনসু খনখি- নুপী নহাদা মমীৎ-মনা চোইবা, মশাগী হৈনজবা মরমচৎতুবু মীমাঙদা উৎপীরক্কনু ফোংনা হেক হায়রুবা য়াব্রা? মখোয়বু মীনিনা নুংঙাইবা পাম্মী।, তোম্বীসু লায়না শেল তানবা পাম্মী। তা’মনি মরোলদু ফাইনা অমুক হায়রকই। শামু মানা হায়রিবু,

– শেন্দোয় য়াওদনা নোংমা নীনি শীজিন্নদুনা শেন্দোং তালহৌবদা কয়াম কায়বগে?

– কায়, য়াম্না কায় নুপী নঙোন্দা কায়দ্রবসু নুপা ঐঙোন্দদি য়াম্না কায় খঙলব্রা? অদুনা তৌনু হায়রিবসিনি।

– শামু নুমিৎতুদগী হোটেলদো পুরা শীদোকখ্রে খঙলব্রা? অদুদগী তোম্বীনা করি তৌখি খঙলব্রা? ঐগী নুপী তোম্বীনা, নোক্তুম নোক্লীংই ঐদি... হা... হা... হা...।

পেন্না নোক্লুরগা য়ু গ্লাস মনীংদা কোয়না য়াওরিবদু পায়খৎলগা লৈমায়দা খঙথম থম্বদগী অকোয়বদু য়ুগী মরীক-মরীক চোংথোরকই। লীরক্কদৌরিবা ৱারীদু তাবা ঙম্লরোই হায়বগী মওংদা চোংথোরক্তুনা চেনগদবগুম তৌরিবগু উরকখি। মনিনা উইরপ তৌনা লৈরম্বা মমিৎতু অখাবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা গ্লাসতুদা য়েংলগা মখা অমুক তারকখি।

– মপুরোইবা ঐনা হায়বদা তাশিন্নদনা মানা করি তৌখি খঙলব্রা শামু...। ঐনানে...

– কদায়দা চৎকদৌরিবনো নুমিদাংৱাইসিদা কেরিবদুনা? নাচোমও করিও চৎপা য়াদে হায়রিবসিনিকো। চৎপা য়াদে।

– করিনো অমুক চৎলমদায়সিদা দাও অমুক হাৎলিসিনা? সিবু মীনা তৌনদবা থবক্লো? পৈশা খোম্বা চৎকদৌরিবা মীগী শেল্লেপতো পীথোকখ্রগা শেন্দোয়দুনা ইমুং মনুংগী শীজিন্নবা তৌরিসিবু, চৎকনু হায়রগা হেক্তো তোক্কদ্রা?

তারিব্রা শামু, নুপা অমা ওইরগা নুপা থোকপা ঙমজদবা ঐসে নুপা নৎত্রবনি খঙলব্রা? ইশাগী নুপীবু ঐগী নুপীনি হায়বা ফাওবা ঙমজদ্রবা, ঐনা হায়বদা নুপীদুনা লৌবীগদ্রা? নুমিৎ অদুদগী তোম্বীদা অহোংবা মথং-মথং লাকখি। কদায়দগী পৈশানা লৈবনো খঙদে। মোবাইল ফোন অমা পায়রকপদুদগী ঐখোয় অনীগী মরীসু অসুম-অসুম লাপথোক্লরকখি। ঐ হংবদি হংখি-

– কদায়দগী হেন্দ সেটনো কদায়দগী পৈশানা লৈরিনো?

– ময়াম পৈশা খোম্বা চৎপদুদা লৈ-লৈতে হায়নবদুদা খঙননবা হায়দুনা মীনা পৈশা পুথোক্লগা লৈবীরকপনি।

– তৌনুদা নুপী নঙবু! মীগী মরল পঙলৌ লৌশিল্লগা হয়েং তুংদা অফবা ওইরক্লোই।

– কৈদৌবগে সিবু ঙহাক লৈতবগী পুথোক-পুশিন তৌনবগী ৱানি শিংগদবা পৈশানি।

– শিংগদবা, শিংগদবা নরল কয়াম লৈরদনা পংপুদা পুশিল্লিবা, মদু ঐ পামদে।

– ঐখোয়দি পাম্মী অথু অকায় নংনবা।

– তোম্বী...।

নাইতোম তারকপগী, পূক্লীং নুংশিরকপগী মাগী নুপীনা মনীংতম্বা হেল্লক্লিবা মখৈ মনিসু পোত্থাফম থিরকখি য়ুগা মরুপ ওইরকখি। মাসু মাগী থোকপা ঐসু ঐগী থোকপা মনি খল্লকখি। মানা কদায়দা মাগী নুপীনা কদায়দা নোংমগী থেংনরক্তবা ফাওবা য়াওরকখি। মাগী নুপীগী উশিৎ-থওইদবা মওংদো খাঙদুনা লৈঙম্লক্তে।

– কনানো নঙগা ৱারী শান্নরিবদু শেংনা হায়য়ু?

পৈশা লৌবা লাকও হায়রকপনি।- তৌনুকো নঙ ঐগা তোঙান তোঙাননা লৈবমক নত্তবনিনা ঐগী ইজ্জৎসু খরা য়েংঙু ইমান-ইমান্নবগী মমাঙদা ইকায়। হায়বসিদা য়াদ্রবদি নঙগা ঐগা তোঙান তোঙান লৈবা তাই। ঐ লমচৎ নাইদবী নুপীগী নুপা ওইবদি পামদে। খবরদা মৌনহা অমা মাঙখ্রে কায়না হায়বদু ঐ য়াম্না তুক্কচৈ খঙলব্রা?

– হো লমচৎ শেংবা ইবুংঙো। পামজদ্রে পুন্সিসে কোকফাই শুজা হাইগৎলগা লৈবদো। ফোন অমা ফাওবা পায়দুনা শীজিন্নবা ঙমজদবা নঙবু নুপানে হায়খিগদ্রা!

– তারেদনা শামু মানা হায়খিবদু, থৌরি লাক্তুনা পুন্দুনা থন্নম্বা শাদো থৌরি খংথা থাদোক্লুবা ঐতগী ইরাল ওইরমখি।

তোম্বী, মোবাইল ফোনদু চৎপা-চাবা-থকপা থাবা লৈতে। ফিরৈদা, নাকোংদা, ঙকশমদা য়ান্দুনতা লৈখি। উয়ান্দা থাউ হৈদুনা মৈ হৌবগুম তৌবদু ফোন লাক্লবদি থাংথবা কাউ’খৈ ৱারী শাবদা মৈ হৌবসু য়াওরকখি।

– কনাগী ফোননো অয়ূকসিদা হা...। য়েংনীংদ্রে মীৎসে নারে।

– হো কম্পেনিগীনে, কম্পেনিগী, ঐসু মুত্থৎলিদনা।

– হৈ... হৈ... কম্পেনিগী ফোনসি নঙোন্দদা লাকপ্রা? ওক্তবী ওইরব্রা নঙবো ওক্তবী? হায়রিমক্তদা অমুকসু লাক্লেনেহে য়েংগে য়েংগে কম্পেনিগী ফোনলা য়েংগে? কম্পেনিগী ফোনবু মুত্থৎলবা ফাওবদা অনীরক হন্না লাকপদি তাদে উদে।

– নথৌ করি লৈবগে লাক্লীংবা মতমদা লাকচসনু। নরলনা লৈবীব্রা?

– তোম্বী...।

শামু অচৌবা খুবাকসিনা মমায়দুদা খঙলব্রা লমহেনবী হায়দুনা থাখিবদু খূবাক্তা ফাওখিবা চৈনাদো ঙসিসু ফাওরি। নুমিৎতুদগী য়ূমদগী থোকখিবদগী য়ূমদা অমুক হঞ্জিল্লকখিদ্রবনি।

–তা’মনিদি য়ূমগী নুপী হঞ্জিল্লক্ত্রগা তুমিন অদুম লৈখ্রবরা?

– মনীং তমজখ্রসনু হায়দুনা থিখিদে। থিবসু পামখিদে মনীংতম্বা পাম্বী মাবু থিরুদুনা করি কান্নগনি। ইচাগা ঐগা লৈহৌরি। ঐসু খঙই শামু, মতীক নত্তনা নুংঙাইবা পাম্বী, অরং-অরাক্তা ঙাওজবী তোম্বীনা পুন্সিবু ফাগীদৌনা খঙঙুথক্তা মাঙলমগনি হায়বসিমদি ঐ খন্দে। ঐগী পাঙদবা মতৌ উরগা লৈকাইগী খঙন-চান্নবা খরনদি ইহুৎ শিনবিদুনা পাউচেদা হাপ্পীরকখি। ঐনা খ্বাইদগী পামজখিদবা মৌনহা অমা মাঙখ্রে। নুমিৎতুদগী মীগী অদুম ওইখ্রে। ইচাগা ঐগনা অসুম হিংলিবসিনি। হে... শামু নঙবু তুমথরব্রা? ৱারীসি লোয়বা ফাওবা তাও হায়রগা।

*(ৱারীমচা অসি ঋতু চেফোঙ জুন-আগষ্ট ২০১৪ দগীনি)*

# তাবুনুংদগী

*মীতৈ। মৈতৈনা কুম অমগী লমতাগী অহানবা থাংজদগী হৌরগা অরোইবা অৱাই-অখুম তৌদুনা লৈকাই-লৈকাই, খুল-খুলগী ওইনা শরোই খাঙই। নুমিৎ অসিদা অহল ওইরক্লবী নুপীশিংনা য়ূম-য়ূমদগী কৎনরকপা পোৎশিং শিংজু ওইনা শোইরগা লৈকাই-লৈকাইগী তাইনফমদা লাইশোন তিনশোন তৌদুনা থাদোকনৈ। অসুম্না শরোই খাঙবদা শোনগদবা লাইরোন অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌথৎচরি।*

"হৈ লাইপুংথৌ ৯, লাইনুরা ৭, উমংলাই শালোই ৬১ মক, কৌব্রু শালোই ৬১, য়াখল্লোই ৭ মক, থাংজিং শালোই ৬১ য়াখল্লোই ৭ মক, ৱাংব্রেল শালোই ৬১ য়াখল্লোই ৭ মক, অৱাংদগী লাকপা খাদগী লাকপা, নোংপোক্তগী লাকপা, নোংচুপ্তগী লাকপা শালোই পূন্নমক, ইপুথৌ ইবেনথৌগী লাইকোন্নুংদা লৈরম্বা শালোইশিং নখোয়গী চাকথা পিরবনি। খুঙ্গংগী মীশি-মীনা থোকখিবা, গাড়ীনা তক্তুনা শিখিবা, হু চাদুনা শিখিবা, থৌরী য়ান্দুনা শিখিবা, মীশি চাদনা শিখিবা পূন্নমক্কী চাকথাকনি, নখোয়গী নচীঞ্জাক ওইনা হৈরম ৭, লৈনম ৭, কবোক নাচল ৭, পুকয়ু-ৱাইয়ু, হৈবী মনা শিংজু, চেঙনচিংবা তাইবঙ মীওইবনা চারি-থক্লিবা পূন্নমক পীরবনি। ঙসি লৈকাই, খুঙ্গং অসিনা পীরিবা নচীঞ্জাক অসি চারগা কুম অসিগী ফত্ত- হৌদি পূন্নমক ঙাকপী-শেনবীয়ু, অৱাংদগী লাকপনা অৱাংদা হনখ্রো, মখাদগী লাকপনা মখাদা হনখ্রো, মমাঙদগী লাকপনা মমাঙদা হনখ্রো, মনিংদগী লাকপনা মনিংদা হনখ্রো, মার্জিংদগী লাকপনা মার্জিংদা হনখ্রো, ৱাংব্রেলদগী লাকপনা ৱাংব্রেলদা হনখ্রো, কোরৌদগী লাকপনা কোরৌদা হনখ্রো, মালেমদা পুবা নখোয়না মথংগী কুমজা য়ৌদ্রি ফাওবদি লৈকুৎতা লৈরাইদা, হৈবী মখোঙদা, নঙগী-নঙগী নফমদা লৈয়ু। অদুগা লৈকাই খুঙ্গং অসিগী মনুং-মতম চাদনা কোন্না শিখিবা (মমিং পন্দুনা) মহাক্লা মতূংদা অমুক হন্না মীশি-মীনা থোকহল্লক্কনু।"

# মণিপুরী পাম্থৈ-পাঊরৌ, পাউতাক

* **কনাসু মপূং ফাবা লৈতে।**
  – ফনা ফরবসু অৱাৎপা খরদি অদুম লৈ।
* **কপ্পদা পি তারক্ত্রবা চাবদা মহাও খঙলরোই।**
  – হোৎননীংদ্রবা, শুনীংদ্রবা করিমতা ফংলরোই।
* **কবো য়েৎতুম হৈনু তরেৎ।**
  – অহৈ-অপা য়াম্না শাবা।
* **কবো কদোম অৱা কদোম।**
  – চঙক্লদুনা লৈবা, মায়কৈ শলাই খঙদবা।
* **কবিদি পোকপদা য়াওজরকই।**
  – মশাগী পীথোকচরকপা মগুণ।
* **কম্বীদগী চোংথোক্লক্লগা মৈনুংদা তাশিনবা।**
  – অৱাবা চৈনা ফংলিঙৈদা চৈনা অমগা হাপচিনবা।
  – অৱাবগী মথক্তা অৱাবা।
  – ফগদ্রা তৌরুবদা হেন্না ফত্তবা ওইবা।
* **কবোক্লেনা ফজবা পুখ্রি মপান্দনি, শানারৈগী ফজবনা লাইশঙ ময়াদনি।**
  – মফম-মফমগী মতূং ইন্না পোৎকী মগুণ হেনগৎহল্লি।
* **করাংদা খূৎ লোনশিন্দুনা লোৎপা / লৈবা।**
  – থবক শূনীংদবা কতন।
* **কঙ তাম্থোকপদু মঙায়রে।**
  – হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরবসু মশাগী ফীভমদা অমুক লাকপা।
* **কখোকপগা মান্নবা নুংঙাইবা অমা লৈতে।**
  – পুকচেল চাউথোকপা, মীগী মতেং পাঙবদা নুংঙাইবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– শ্লোক অমনা নৎত্রগা তঙ্খায় নৎত্রগা মশুং অমত্তা ওইরবসু নৎত্রগা ময়েক অমত্তা ওইরবসু খঙজিনহৌগদবনি, নৈনরগা, দান তৌরগা নৎত্রগা ধর্ম্মগী থবক অমা পাঙথোক্লগা নোংমবু হৌহনখিগদবনি।

– নুপী কায়নবা, মাগী মীনা ইকায়বা পীবা, লমন মখাক লৈহৌবা, মবুক ফত্তবা নিংথৌগী সেবা, লায়রবা অমসুং নীংথিনা শীন্দ্রবা মীফম-মখোয় অসিদি মৈ য়াওদনা মশাবু চাকপনি।

– তোর্বান্দা হৌবা উপাল, মীগী য়ূমদা লৈবা নুপী, মন্ত্রি য়াওদবা নিংথৌ থীন্দনা মাঙলগদবনি শোয়দবা।

– ব্রাহ্মণগী পাঙ্গলদি মহৈনি, নিংথৌগীনা তেঙ্গোলনা পাঙ্গলনি, বৈশ্যগী পাঙ্গলনা শেম্ভুমনি অদুগা শুদ্রগীদি সেবাগী ৱাখলদুনি।

– শেল য়াওদ্রবা নুপাবু লমচৎ নাইদবীনা থাদোকই, ঙাকপিবা ঙমদ্রবা নিংথৌবু প্রজানা থাদোকই, মহয় পান্দ্রবা উহৈবু উচেক্লা থাদোকই অদুগা কৌরুদনা লাকপা অতিথিনা চাবা তোক্লগা য়ূমদুবু থাদোকই।

– দক্ষিনা ফংলবদা ব্রাহ্মণনা যজমানবু থাদোকই, শিষ্যনা বিদ্যা ফংলগা গুরুবু থাদোকই অদুগা লম্মৈ চাকখ্রবা বনবু শজিনা থাদোকই।

– মচৎ ফত্তবগা তিন্নবা নৎত্রগা মীৎয়েং ফজদবগা মরুপ ওইবা নৎত্রগা মবুক ফত্তবগা লোয়ননা মহাক অদু থীন্দনা মাঙলগনি।

– মান্নবগা মরুপ ওইবা চাউখৎলি, নিংথৌগী মনাই ওইবা ইকায়খুম্নবনি, নীংথিজবী নুপীনা য়ূমগী লৈতেং ওইবদি নীংথিবনি অদুগা অতৈদি ললোনবগী তৌবগুম্না লোয়নগনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৪৬. ইঙ্খোল মতোল খোয়চোপ্পা–
৪৭. কক্লা-কক্লগা শাংদোরকপা–
৪৮. খুইরগা হাউবা হৈ–
৪৯. খ্বাইদগী য়াংবা উ–
৫০. খ্বাইদগী পীকপা উচেক–
৫১. খ্বাইদগী পীকপা শা–
৫২. চিংঙ-চিংঙগা তেনবা–
৫৩. তলব চাদবা অমিন–
৫৪. থংনবা শিরগা হরাওবা–

***মমাঙ নোংমাইজিং (০৩-০৩-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৩৭. তীল-অৱাং কদোম মখা কদোম।
৩৮. থম্বৌ থম্না, থম্বাল থমচেৎ।
৩৯. মাইরেন, সেবোৎ, কারোৎ, তোর্বোৎ, থবী।
৪০. লারুংগী পোক্লাউবী।
৪১. হি- হোনবা।
৪২. হি-লমজেন।
৪৩. খোই চোপ্পা।
৪৪. পয়ানা ৱা পুনবা।
৪৫. লিন।

# কান্ন-ৱানি খঙজিনবিয়ু

* **লুপৌ থাংলবদি?**

কোক্তা লুপৌ থাংলকপা হায়বসি, মাথা শামনবদগী নৎত্রগা হকচাংদা ঈগী ঈচেল ৱাৎপদগী নৎত্রগা ঈ শেংদবদগী নৎত্রগা চীঞ্জাক ৱাৎপদগী নৎত্রগা অতোপ্পা লুপৌ থাংবা মীওই অমগা শমজেৎ তিন্নরুবদগী নচিংবা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী ওইবা য়াই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, লুপৌ থাংলকপা ফহনবিগে হায়রবদি- (ক) য়ুবীথাউ খরা মৈদা শাহনবিরগা মিনিট ২০-৩০ ঙাইবিয়ু, অদুগা শম্পুনচিংবা শীজিন্নবিদুনা কোক লুথোকপিয়ু। নৎত্রগা (খ) চম্প্রা মহীগা শঙ্গোম শনাগা য়ানশিন্নবিরগা থাউগুম্না শমখোঙ থুম্না কোক্তা তৈবীরগা মিনিট ২০ লোম থম্বিরবা মতূংদা থাদোকপিরবসু কান্নবা ফংবিগনি।

* **ৱাইখু-শোজৈদা কোক্লিং কাশীনখ্রবদি?**

শীজিন্নবিরিবা ৱাইখু-শোজৈশিংদা করিগুম্বা কোক্লিং কাশীনখিদুনা হাংদোক-হাংজিনদা নুংঙাইরক্ত্রবদি পেট্রোলিয়ম জেলী খর-খরদং তৈশীনবিয়ু, থাউনচিংবা থাকপীরুনু ইশাদা অমোৎ-অকায় পক্লকপা য়াই।

* **শঙন খোঙউপ ঈশিং কুইনা চোৎখ্রবদি?**

শঙন নৎত্রগা শ্বেদকী খোঙউপ তোংবদা করিগুম্বা ঈশিংদা কুইনা চোৎখ্রবদি ইচম-চম্না ফৌদোক্তুনা নৎত্রগা মৈ য়াইদুনা কংহনবিনবা হোৎনবিরুগনু, মওং-মরীল তারক্তবা য়াই, মশক-মচুসু থোকখিদবা য়াই। ফৌবিবগী মহুৎ পাউচেশিংগী অপাকপা চেবাংনা মরোল অনী-অহুম থোক্লা য়েৎশীনবিরগা নুংশাদা নৎত্রগা মৈনাক্তা ওন-ওন্দুনা থম্বিরগা কংহনবিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

# চয়োলশিগী ফাগী

**পূক্লীংগী ৱা!!**

মশা ঙমদদুনতা লৈরক্লবীদুনা নুমিদাং মপুরোইবদা মথম্মোয় শোক্লা...

**নুপী** – করিগুম্বা ঐহাক্লা লাইবক থীদুনা লৈখিদবা তারবদি নহাক পিক্লিবা ইচাসিবু লুনা তৌবীগদৌবী কনানো মবুক মপাউ ফবী অমা য়ূমসিদা ইনাওনুপী ওইনা পুশিনবীয়ুকো?

**নুপা** – অশ! নুংঙাইখিদ্রে নঙসিমা অদুগুম্ববু ৱানেদনা, নহাকপু কনানা করি তৌরনি হায়গে, কান্নদে পোত্থানবা তৌরসি সে...।

**নুপী** – হায়জরিবসে ফাগি তাহনবীগনো, অশেংবনে, ঐহাক্লা নহাক্কী সেবা মতীক চানা তৌজবা ঙমদবসিদা, হৌজিকসু পাম্থু-পাম্বীরবদি হেক্তমক পুশিনবীরকউ লৈমিন্নজগে হায়জরিবনে।

**নুপা** – (তুম্মিন লৈ, করিমত্তা খুমদে, শ্বর মপী হোল্লি।)

**নুপী** – অশেংবনি থাজবীয়ু, ঐ করিমত্তা পেন্দবা তৌজরোই, লৈজরিবা ইফি-ইরোল, লিক-কোলকশিংসি ফাওবা লোয়নমক ইনাওদুগীদমক্তা পিথোকচগদৌরিবনি।

**নুপা** – (য়াওল্লগা তপ্পা) মী কৈসু শেৎলু য়ারোই, মাইসু চপ-চানা লোই-লৈরিপোৎনি... কান্নদে তুল্লসি।

**ইনৌত নৌবা অনৌবা!!**

লুহোংগদবা ঙসি হয়েংতা ঙাইরবা তোম্বগী ময়ূমদা অরাপ্পদগী মরুপ চাউবা লাক্তুনা ৱারী শারৈ...

**চাউবা** – ভাই লুহোংলমদায়সিদি ৱাখলকাসি ইনৌতা নৌরমদৌ মাল্লিদা, নৌদ্রনে?

**তোম্বা** – অশেংবনি ভাই, য়েংলু খুদিং ইনৌত-নৌই, ভাইনা ঙাথরিবা উখোঙগী রংদুসু কংদ্রিবা অনৌবনি।

# শৈরেং

## উতুপ পায়বা লৈবাক পুবা

*– রাজেন্দ্র ওক্রম*

উতুপ পায়বা, লৈবাক পুবা
হো! বাবু অঙম্বা বাবু
হেগু- সেক্তি ঙমদে শাউবিনু
ফাবিয়ু ঐবু মুক্তা ফাবিয়ু।

য়ামাহা পাৱার-সু কয়া
থায়না তোংখি বাজি লৈরিঙৈ
উপায় লৈতে লৈরগে ঙসি
মনুংদা চরাদং হেন্দনা
শহিগী ৱা’মা হায়বীনু হোরেল
ইমিং ইবা কাউরবা ঐনি।

চাউরবা চেক্লী য়ূমজাউদুদা
হকচাং শোক্ত চেঙয়েন চাদুনা
লেল্লগে মরুপ-মপাংলক্তা
মপাম য়ৌখ্রবী ঐগী নুপী
পোৎশীৎ ফরি তায় পান-দুকান
ৱাজরবীনি শীৎলসনু।

## ঐ

*– তোঙ্ব্রম শামুঙৌ*

ৱাদুনতা লাক্লবা পুন্সি
নুংঙাইবা শরুক ফংদা
কপ্তুনতা লেল্লকপা পুন্সি
নোকপা ফংদা মীৎকুপ ’মতা,
করম্না কনাবু য়েংলগা
করম্বা ৱাখলবু খল্লগা
খেন্নবনা থল্লবা মীরকসিদা
অচৌ-মচা খায়বা,
অকনবনা অশোনবা তুহৎপা
ইনাকখুনবা-লায়রবা য়েংথিনবা
ঙসিগী মীওইবা খুন্নাইসিদা
হিংখিসিগে করম্না ঐ।

## য়ূম হোংনীংলে

*– ইরোম মোবি*

বার্তন ময়াম্না খাঙবা ঙমদ্রে
লৈজরম্বা শেল মখৈসু
পোৎয়েং পীবদা লোইখ্রে।
শুগদবা নোমগদবা শেল তানগদবসু
থৌরম ময়ামসি চৎলিঙৈদা
লোয়না লোইরে।
কনাগী স্বষ্টিগী, নাহুৎপগী
লুহোংবগী, লান্ন- থৌরমগী,
শোরাৎকী, ফিরোইগী
বার্তনগী বার্তন ঙাক্তা
কনানা পুবা-থাংবা ঙমগনি
পোৎয়েং হোৎনবদা শিবা তারে।
হৌজিক উপাই লৈতে
য়ূম হোংখিবা নত্তনা।

## মীখল

*– দেবেশ্বর নিংথৌজম*

অতিয়া খেৎনা পাইররে
লৌনম তাৎহৈবা লুচিংবশিংগী
ওইজবগী নীংতম ফিরালনা।

ইকায় খঙদ কংকোৎপা
য়ূমথোঙ খুদিং তুররে
নিংথৌ ফম্বাল কোঞ্জগে।

লৈবাক নীংবা লূপশিং
পাম্থদা ঈহৌ কাউখরে
মীখলদা লাইমিং লৌখরে।

মোইথেম তৌরি মীয়ামদা
খূৎচাউ থান্নরি মীখলদা
কারগা শেন্দোং তান্নবা।

খুদুম চেৎনা পায়য়ুকো
অফবা মীহুৎ খলহৌসি
অহিং তুমখিদবা য়াম্লক্লে।

## তুং ইনসি লাউ

*– ইবোতোম্বী লোংজম*

ঐখোয় অমত্তনি,
ৱাখলসু অমত্তনি,
লম্বীসু অমত্তনি,
পম্বুংসু অমত্তনি।
তুং ইনসি লাউ
ঐখোয় তুং ইনসি,
লুচিংবা ওইনীংবা থাদোকসি।
লুচিংবা য়াম্লে,
লূপ য়াম্লে।
অমদগী অনী থোকপা
অনীদগী মরি।
লূপকী লূপ ঙাক্তা,
লূপ য়াম্লে,
ৱা য়াম্লে।
লম্বীসি ফাংমনখ্রে,
চৎফম খঙদ্রে,
ককঙাওনরে মীয়ামসে।
থাদোকসি অনী লোঙবা ৱাখল,
পম্বুং অমত্তা ওইরবদি,
লম্বীসু অমত্তা ওইসনু,
ৱাখলসু অমত্তা ওইসনু,
লুচিংবসু অমত্তা ওইসনু।
লুচিংবা য়াম্মনখ্রে,
তুং ইনবিনবা লৈত্রে।

## চিখহৌবা

ঙরাং থাংজ মার্চ ৯,২০১৯ দা পাউচে অসিদা অখন্নবা ৱারেং ওইনা ফোঙখিবা " মৈতৈ নাৎকী ফিজেৎ লৈতেংশিং-১" কৌবা ৱারেং অদু মুতুৱা বহাদুরনা ইবনি। ৱারেং অদু ফোঙবা মতমদা অইবগী মিং য়াওখিদবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

*–ফিচর ইনচার্জ*